# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 29-06-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ২৯-০৬-২০২৪, থাংজা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল ক্ষেত্রিময়ুম চিত্রভানুনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াগী মতাংদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা চিফ সেক্রেটরিগা উন্নদুনা খন্নখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অহুমলকশুবা ওইনা প্রধান মন্ত্রি ওইরকপগী অহানবা মনকী বাট হয়েং শন্দোক্কনি ।

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**রাজ্যপাল(এল)ঃ** চিফ সেক্রেটরি ডা: বিনিট জোসিগা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা ঙরাং উন্নদুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক্তা লৌখৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা পাউদমখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নবা অদুদা শ্রী বিনিট জোসিনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা পীরিবা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং অমদি মখোয়গী মতম খরগী ওইনা লৈন্নবা য়ুমশিং পীন্নবগী থৌরাং খুমাং চাডশিল্লি হায়না রাজ্যপালদা খঙহনখি। জিরিবাম জিলাদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা পল্লদুনা চিফ সেক্রেটরিনা হায়- মীওই ৯০০ লোম তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি, অমদি মখোয়গী তঙাই ফদবা পোৎলমশিং সরকারনা পীরি। মহাকা হায়- জিরিবাম জিলাগী দি.সিনা অমাং অতোই থোকহনখ্রবা য়ুমশিং অমদি লন্থুমশিং য়েংশিনবিন্নবা হায়জরকখ্রে।

রাজ্যপালনা দি.এম য়ুনিভার্সিতিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদসু চিফ সেক্রেটরিনা খন্নখি। য়ুনিভার্সিতি অসিগী অনৌবা ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদি নৌনা খল্লবা এসিসেস্তন্ প্রোফেসরশিং জোইন্ত তৌহন্ননবগী মতাংদসু রাজ্যপালনা শ্রী বিনিট জোসিদা খঙহনখি।

**পুলিস(এল)।** সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা মনিপুরদা শান্তিরক্সা ঙাকবা পায়খৎপা খোংথাংগী শরুক অমা ওইনা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা থীবা হুন্থবগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

চুরাচান্দপুর জিলাগী মসুলম-লান, সোংফেল অমসুং লমসাইগী মফমশিংদা থীবা হুন্থবগী থবক চথবদা লোং রেঞ্জ হেবি মোতার অমা অমসু সেল অহুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। লোয়ননা জিলা অসিমক্কী ন্যু ভিজাংগী মফমশিংদগী মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর অনি, ত্বেল্ফ বোর সিঙ্গল বেরেল রাইফল ৮, মেগজিন য়াওবা থ্রি ৱান ফাইব রাইফল অমা, নোংমৈ মরু ৫৯ , হেভি মোতার অমা অমসুং রেদিও সেট মরি ফাগৎপা ঙমখ্রে।

তেংনৌপল জিলাগী লৈথোক চীংদগী টু-ইঞ্চ ফাইয়র সেল অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

অমরোমদা,অসাম রাইফলস অমসুং মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা চান্দেল জিলাগী শিংতম অমসুং তৌপোকপীগী মরক্তা লৈবা মফমশিংদা থীবা হুন্থবকগী থবক চথবদা পোম্পী মোতার অমা হেন্দ গ্রেনেট অনি অমসুং নোংমৈ মরু কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু মনিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে।

**এ.আর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা কেন্দ্রগী ত্রাইবেল এফ্যারস মন্ত্রালয়গা খুৎশমদুনা অহানবা তাঙ্খুল আর্টস এন্দ ক্রাফ্ট একজিবিসন ঙরাং উখ্রুল জিলাগী সংসদ ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে। মদুদা তোঙান তোঙানবা ত্রাইবেল আর্টিসন ২৮ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি। মদ্দা তোঙান তোঙানবা ত্রাইবেল আর্টিফেকশিং য়াওনা খুৎশা হৈবগী পোৎলম কয়াসু উৎখি।

অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী লুচিংবশিং অমসুং খুঞ্জাশিংগা উন্নদুনা ৱারি ৱাতাই শান্নবগী থৌরমশিং মখা তানাচথরি।

**ব্লদঃ** ৩ লক শুবা ব্লদ দোনেসনগী কেম্প অমা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী সাইতোন সালাং কোঞ্জিল পার্ট ৱানদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা ভোলুন্তিয়র ৩৫ না ঈ-দান তৌখি।

**নোং (এল)ঃ** মেট দিপার্টমেন্না হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ ৪ অসিদা মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা নোং কন্না চুরবা য়াই। মরম অসিনা নোং কন্না চুবদগী থোরকপা য়াবা খুদোংথীবশিং থেংন্নবা শেম শাদুনা লৈন্নবা হায়রি।

রাজ্য অসিদা হৌখিবা নোংমা নিনি অসিদা চুখিবা নোংনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল সহর ফাউদুনা চেল্লিবা নম্বুল অমসুং ইম্ফাল তুরেলগী ইমায় ৱাংখৎলক্লি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি খুদোথিনিঙাইদি ওইদ্রি । লোয়ননা ইরিল তুরেলগী ইমায়সু ৱাংলি। নোং অসিনা মরম ওইরগা ইম্ফাল সহরগী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুল্লি।

লাক্লিবা নুমিৎ ৪নি অসিদা ভারতকী অৱাংনোচুপ থংবা শরুকশিংদা কনবদগীনা য়ামা কনবা নোং চুগনি হায়রি। লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু ভারতকী ময়াই থংবা অমসুং নোংচুপ থংবা মফমশিংদসু অকনবা নোং চুগনি হায়রি। মেট দিপার্টমেন্তনা হায়- রাজস্থান , হারিয়ানা ,দিল্লি,ঝরখন্দ,বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশকী মফম কয়াদা নোং অসি চুগনি।

## --তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---

**নকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ১১১ শুবা মনকী বাট হয়েং অয়ুক পুং ১১ তাবা মতমদা অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি। মসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থংন-থংননা অহুমলকশুবা প্রধান মন্ত্রি ওইনা ওইরকপগী অহানবা মন কী বাটনি। প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা মদ্গী মনিপুরি ৱাহন্থোক অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি।

**ফোরেন ঃ** ইন্দিয়ন ফোরেন সার্ভিস ওফিসর বিক্রম মীসরিনা অনৌবা ফোরেন সেক্রেটরি ওইনা খল্লে। ১৯৮৯ বেটচকী আই.এফ.এস ওফিসর অসিনা বিনে মোহন কোত্রাগী মহুৎ শিনগনি। মহাক হৌজিক নেসনেল সেক্যুরিতি কাউন্সিল সেক্রেটরিয়েতকী দিপ্যুতি নেসনেল সেক্যুরিতি এদভাইজর ওইরি ।

**নিটঃ** ঝরখন্দা নিট য়ুজি ক্বেসন লিক ওইখিবগা মরী লৈননা স্কুল অমগী প্রিন্সিপল য়াওনা মীওই অহুম সি.বি.আইনা ফারে। স্কুল অমগী ভাইস প্রিন্সিপলসু ফারে । থৌদোক অসিগী মতাংদা মখোয় য়াওই হায়বগী প্রমান ফংবদগী সি.বি.আইননা মখোয়বু ফাবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা মখোয়বু সি.বি.আইনা ৱাহং পাউহংবগী থবক থা অসিগী ২৬ তগী চথদুনা লাকপনি।

ফারবা স্কুলগী প্রিন্সিপাল অসি হাজারিবাগকী পারিক্ষা সেন্তরশিংগী কোওর্দিনেতর ওইখিবনি।

**অমরনাথ** ঃ জম্মু অমসুং কস্মীরদা চহি খুদিংগী পাঙথোকপা শ্রী অমরনাথ জি যাত্রা ধর্ম্মগী চৎনবি অমসুং হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা ঙসিদগী হৌরগনি। অহানবা বেটচকী জাত্রিক লিশিং কয়া কস্মীর তম্পাক্কী বেজ কেম্পশিংদা থুংনবা হৌখ্রে। নুমীৎ ৫২ চৎকদবা য়াত্রা অসিদা মীওই লিশিং ৪,৬০০ হেনবনা শরুক য়াগনি। উপ রাজ্যপাল মনোজ সিনহানা যাত্রা অসি জম্মুগী বগবাতিনাগরগী যাতি নিৱাস বেস কেম্পদগী সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়না ঙরাং অয়ুক লমথাখিবনি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**
**হৌজিক খায়দেম গিটচন্দ্র লৈরে--**

**---গিটচন্দ্র ---**

**----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--**

১) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াগী মতাংদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা চিফ সেক্রেটরিগা উন্নদুনা খন্নখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থীবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অহুমলকশুবা ওইনা প্রধান মন্ত্রি ওইরকপগী অহানবা মনকী বাট হয়েং শন্দোক্কনি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি-চিত্রভানু

মণিপুরদা লৈরিবা ইরাং অসিগা মরি লৈন্না কোকোমিনা শিন্দুনা মণিপুর কনবগী খোঙচৎ চৎখিবগী পাউ য়াউনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লমাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোঙনরি। পাউ অসি হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকেল, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস ইদিসন, মনিপুর মেল অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, তমেংলোংদা ফোংবা পাউচে গানফিউ মেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমসুং তমেংলোং টাইমস পাউচেশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

কোকোমিনা শিন্দুনা চৎখিবা মণিপুর কনবগী খোঙচৎ অসি হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা মশিং থীঙমদ্রবা মীয়ামা শরুক য়াদুনা মনিপুর কন্নবা খোংচৎ চৎখ্রে, এম.এল.এ মিনিস্তরশিংনা মতিং লৈনা মনিপুর কন্নবা থৌনা ফনা চোংথোক্কদবনি হায়না ৱারেপ লৌখ্রে হায়না ফোংলি। পাউ অসিমক সনা লৈবাক পাউচেগী মনিপুর কন্নবগী খোংচৎতা এম.এল.এ অনিদগী হেন্না য়ৌখিদ্রে হায়না ফোংলি। পাউ অসিমক ইচেল এক্সপ্রেস পাউচেদনা মীওই লাখ ৪ হেনবনা শরুক য়াদুনা মনিপুর কন্নবা খোংচৎ চৎখ্রে, ৱারেপ কয়া লৌখ্রে, মীয়ামগী ৱারেপ প্রসিদেন্ত অমদি প্রাইম মিনিস্তরদা থারগনি হায়না ফোংলি ।

মনিপুরগী লানগী ৱাথোক আর.এস.এসকী লুচিংবা মোহন বগবটনা মোদি

উন্নখিব্র হায়বা পাউ অমসু হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। ফুরুপশিংনা খুৎতা খুৎলায় পায়রগা তোখায়বা লৈঙাক তান্নরবদি কমদৌনা হিংমিন্নগনি হায়বা কবুই য়ুনিয়ন মনিপুরগী পাউ অমসু সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

লৈঙাকা অথিংবা থমখ্রবা কে.মোলনোমগী থাং শাবা লৈপত্রি, সৈরৌ অমদি শুগুনুগী খুঞ্জাশিং মীপায়নরে, চপ চাবা থবক পায়খৎপিনবা লৈঙাক্কী পুকিং চিংশিল্লক্লি হায়বা পাউ অমসু ইচেল এক্সপ্রেস পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। সলাই হোলদিং প্রাইভেট লিমিতেটকী মেনেজিং দাইরেক্তর ব্রোজেন্দ্রোগী য়ুমদা বোম পোখায়হল্লল্লে হায়বা পাউ অমসু নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ৱার্ল্ড নো তোবেকো দে ২০২৪ পাঙথোকখিবগী পাউ অমসুং থৌরম অদুদা নহাশিং হিদাক মনাদগী কলহৌশি হায়না হেলথ দাইরেক্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পোকফম্ম পাউচেগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুর কায়বা য়ারোই হায়বা কৈশামথোং কেন্দ্রগী এম.এল.এ নিশিকান্ত সাপমা ফোংদোকখিবা ৱাফম য়াওনা পি.এম অমদি হোম মিনিস্তর উন্ননবা এম.এল.এ মিনিস্তরশিং দিল্লিদা পায়শিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুর ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

--চিত্রভানু--